## চেঙ হোংবগী থৌরম পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, মে ১৬ (ঐচ এন এস):

পাখংবা চেঙ হোংবগী থৌরম থা অসিগী ১৮ দা অরিবা কোনুং কংলাদা পাঙথোক্লগনি হায়না কংলা রিলিজিয়স কম্মিটিগী মেম্বর ডা. ৱাইখোম রোমেসনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, লৈপাক্কী চাকহোং ঙাহোংনবা, খুঞ্জাও লৈচাওনবা, ঈংনা-তপ্লা পান্নবা, লৈপাক মরা তপ্লবা, অৱাৎ-অপা লৈতবা লমদম অমা ওইনবগীদমক পাঙথোক্কদৌরিবা থৌরম অসিদা কংলৈপাক মণিপুর অসিদা লৈরিবা ইচিল-ইনাও, ইচল-ইচে, অহল-লমন, লাইগী মশক ওইরবা ইপা-ইতোন পুম্নমক্না মতম চানা লেংবীরক্তুনা থৌনি থৌরম অসিবু শরুক য়াবীয়ু।

থৌরম অসি অয়ুক পুং ১০ তাবদা পেনা অশৈবনা পেনা য়াকাইরোল থৌগল তৌদুনা হৌগনি। মসিগী মথংদা কংলৈ পিবা কয়ানা ইবুধৌ পাখংবগী মরমদা ৱারী পরিং নাইনা লীগনি। মথং তারকপদা পুঙ, জগোয়, ঈশৈনচিংবশিং মথং মথং পাঙথোক্তুনা চেঙ হোংবগী থৌরম অসি নুংথিলগী মতম ফাওবা পাঙথোক্কনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, মে ১৬ (ঐচ এন এস):

লাইয়িংথৌ সনামহী থৌগল কাঙলুপ অমসুং ফাউন্দেসন ফোর য়ুনিভর্সিটি ওফ সনামহী কলচরগী মতম শাংনা অচৌবা থৌদাং লৌরম্বা অমসুং লাইয়িংথৌ সনামহী থৌগল কাঙলুপকী হান্নগী লুপলাকপা ওইরম্বা লাইথংবম ইনুংঙানবা (জয়) না থা অসিগী ১৬ তা মনুং মতম চাদনা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোক্লি হায়না লাইয়িংথৌ সনামহী থৌগল কাঙলুপকী লুচিংপুরেল ওইনাম মেঙ্গোর খুমননা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, লাইথংবম ইনুংঙানবা (জয়) না লৈখিদবদা লাইয়িংথৌ সনামহী থৌগল কাঙলুপকী লাইনিংকেলাশিং অমসুং ফাউন্দেসন ফোর য়ুনিভর্সিটি ওফ সনামহী কলচরগী থৌমীশিংনা মিনট ১ তুমীন্না লেপ্পুনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে অমদি লৈখিদ্রবগী ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়ারি। লাইথংবম ইনুংঙানবা (জয়) থা অসিগী ১৬ তা মপুগী খুয়াদা তীনখ্রে হায়নসু লাইয়িংথৌ সনামহী থৌগল কাঙলুপকী চেরোলদুনা মখা তারি।

## ঈ কে হায়র সেকেন্দরিগী পোজিসন লৌরকখ্রবা মহৈরোয়শিং মনা পীদুনা পূক্নিং থৌগৎখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৬ (ঐচ এন এস):

গভর্ণিং বোদি ওফ ইনলাইটন নোলেজ হায়র সেকেন্দরি স্কুল, সঙাকফমনা শীন্দুনা চহীসিগী হায়র সেকেন্দরি এগজামদা স্কুল অসিগী পোজিসন লৌরকখ্রবা মহৈরোয়শিং অমদি মায় পাক্লক্লবা মহৈরোয়শিং মনা পীদুনা পূক্নিং থৌগৎখ্রে।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা ঈ কে হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী সেক্রেটরি পি শরতচন্দ্রনা হায়খি, ঈ কে হায়র সেকেন্দরি স্কুলনা হৌখিবা চহী খরা অসিদা থংন-থংননা হায়র সেকেন্দরি এগজামগী আর্টস ষ্ট্রিমদা টোপ রেঙ্কশিং লৌদুনা লাক্লি। চহী অসিগী ওইনসু স্কুল অসিগী মহৈরোয়শিংনা হায়র সেকেন্দরি এগজামদা মশিং য়াম্না ৱানদগী টেন ফাওবগী মনুংদা মহৈরোয় পুথোক্তুনা মাঙজিল থানা চৎলি। ঈ কে হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী মহৈরোয় শেন্বদা তোপ তোপ্পা অখাং কনবগী মতিক ময়াইগা লোয়ননা শেন্মী। অহিং-নুংথিল খায়দনা অঙাংশিংবু শেন্নদুনা মহৈ-মশিনগী লমদা শেমগৎলকপনি।

স্কুল অসিনা অফবা মহৈরোয় লৈবগী ৱাখল্লোন লৈতে। ষ্টেট অসিদা কনাগুম্বা স্কুলশিংনা ক্লাস টেনগী এগজামদা মার্ক ফংবা মহৈরোয়শিং শেল পীরগা মাগী মাগী স্কুলদা তমহন্নবগী থৌরাং লৌখৎনবা থেংনরি। মসি অফবা খুদম নত্তে। অফবা মহৈরোয়শিং শেল পীরগা লাইরিক তমহন্নবা থিবা হায়বসি এদ্যুকেসনগী চৎন-কাঙলোনদা চুমদবা থৌওংনি। ঈ কে হায়র সেকেন্দরিগী ওইনদি স্কুল অসিদা তম্নিংনা লাকচবা ঙাক্তেনি। টেনদা মার্ক নেম্না লাকপা মহৈরোয় কয়া স্কুল অসিদা তম্লবা মতুংদা মার্ক ৱাংনা লাকপা য়াওরি।

স্কুল অসিনা হৌখিবা চহী ১০ রোম অসিদা হায়র সেকেন্দরি এগজামগী আর্টসতা ফর্ষ্ট পোজিসন্দগী হৌরগা রেঙ্ক টেন ফাওবগী মনুংদা মশিং য়াম্না পুথোকপদা মাঙজিল থানা চৎলি। মসি মহৈরোয়শিং শেন্বদা কথোকপগা লোয়ননা হোৎনজখিবগী মহৈনি। স্কুল অসিগী ওজাশিংনা অয়াম্বা মতমদা বেজ-বেজ খায়দোক্লগা মহৈরোয়শিংবু শেন্নবা অমদি তাকপী তম্বীবগী থবক চখৎরিবনি। এগজাম ময়া নকশিল্লকপা মতমদদি কোচিংগী মওংদা অহিং-নুংথিল খায়দনা মহৈরোয়শিংবু মহৈ-মশিনদা হোৎনহল্লি। ওজাশিংনা তাকপী তম্বীবগী থবকসু চখৎখে। মহৈরোয়শিং অখাঙ কনবগী হৈনবী লৈহল্লি। অহানবা হৌরকপদা খরা ৱাজরবসু মহৈরোয়শিংনা অখাঙ কন্না হোৎনরকপনা ঙসিদি স্কুল অসিনা হৌখিবা চহী ১০ রোমদা থংন-থংননা অহানবা পোজিসন্দগী হৌরগা টেন পোজিসন ফাওবগী মনুংদা মহৈরোয় মশিং য়াম্না পুথোক্তুনা লাক্লিবনি। মমা-মপা ওইবশিংনসু মচাশিংগীদমক অখাঙ কন্না হোৎনবা তাই। স্কুল অসিদা মার্ক নেম্না চঙলকখিবা মহৈরোয় কয়া নীংথিনা তাকপী তম্বীদুনা হায়র সেকেন্দরি এগজামদা মার্ক ৱাংনা ফংলকপদা মমা-মপা ওইবশিংনা অপেনবা ফোঙদোকপা অদু স্কুল অসিগী নুংঙাইজবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা ঈ কে হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী প্রিন্সিপাল কে ঐচ বিনোদকুমারনা প্রসিদেন্ট ওইখি। লিবরেল কোলেজগী হান্নগী ভাইস প্রিন্সিপাল ডা. চন্দ্রমনিনা স্পেসল গেষ্ট ওইখি। ঈ কেগী ভাইস প্রিন্সিপালশিং মথংশিংৎনা, সুজাতা, কে সঞ্জিৎ অমদি এন লিদরনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

## অফবা মহৈরোয় ওক্তুনা মনা পীখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৬ (ঐচ এন এস):

এস দি জে এম হায়র সেকেন্দরি স্কুল মেনেজমেন্ট কম্মিটিনা শীন্দুনা ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা হায়র সেকেন্দরি এগজামিনেসন ২০১৯ দা সাইন্স ষ্ট্রিমগী অহুমশুবা পোজিসন তারকখ্রবা স্কুল অসিগী মহৈরোয় এস দরাজিৎপু তরাম্না ওকপগা লোয়ননা লুপা লিশিং ৫০ গী মনা পীখ্রে।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা ওল মণিপুর রিকোগনাইজ প্রাইভেট স্কুল ৱেলফেয়র এসোসিএসনগী সেক্রেটরি সী ঐচ শ্যামচন্দ্রনা হায়খি, ক্লাস টেন অমদি টুয়েল্বতা পোজিসন লৌরে হায়দুনা লোইবা নৎত্রি। তুংদসু কন্না হোৎনগদবনি। ক্লাস টেন অমসুং টুয়েল্বতা পোজিসন য়াওরবদি শেল ফংগনি খন্দুনা ট্যুসন চৎপদা হিদান্নরিবা অসি তৌরোইদবনি। মহৈরোয়শিং অদুনা তৌফম থোকপশিং অদু নীংথিনা তৌরগা হকচাং শাজেলসু তৌদুনা নাদ-য়েক্তনবা হোৎনগদবনি। নারক্লবদি লাইরিক পাবা ঙম্লোই হায়নসু ফোঙদোকখি।

স্কুল অদুগী ইংলিস দিপার্টমেন্টকী ওজা নোংমাইথেম রামেশ্বরনা হায়খি, স্কুল অসি য়াম্না ঙল্লিঙৈদগী হৌরকখিবনি। মতম অমদা সাইন্স ষ্ট্রিম য়াওরমদে। কুমজা ২০১১-১২ তগী সাইন্স ষ্ট্রিম হাপ্লকপনি। চহী খুদিংগী সাইন্স ষ্ট্রিমদা এগজাম থাবা মহৈরোয় মশিং হেনগৎলক্লি। কুমজা ২০১৮ দা সাইন্স ষ্ট্রিমদা মহৈরোয় ১২১ থাখি। কুমজা ২০১৯ দা মহৈরোয় ১০৮ থাখি। মসিগী মনুংদা ১৩ শুবা পোজিসনসু স্কুল অসিগী মহৈরোয়না ফংলকখি। ক্বালিটি এদ্যুকেসন পীদুনা অফবা মহৈরোয় পুথোকপা ঙম্লবা হোৎনগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা স্কুল অদুগী প্রসিদেন্ট এন তোম্বনা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা এস দি জে এম হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী পোজিসন লৌরকখ্রবা মহৈরোয় তরাম্না ওক্তুনা পূক্নিং থৌগৎখি। স্কুল অদুগী মহৈরোয় কয়াসু থৌরম অদুদা শরুক য়াখি হায়নসু পাউ অসিনা মখা তারি।

## ফেষ্টিভেল পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, মে ১৬ (ঐচ এন এস):

চীং-তম য়ুনাইটেদ এসোসিএসন (চিটৱা) না শীন্দুনা অহুম্লকশুবা নুপী শুমাং লীলা মোইরাং পর্ব্ব ফেষ্টিভেল চহীসিগী জুলাই ১৫ দগী হৌরগনি হায়না চিটৱাগী প্রসিদেন্ট এম পুর্ণিমাসি লৈমনা ফোঙদোরক্লি।

পাউচে অসিদা পুর্ণিমাসি লৈমনা হায়খি, শুমাং লীলা নুপীশিংগী ওইবা অথোই-অহেন তান্নবা মোইরাং পর্ব্ব ফেষ্টিভেল অসি হন্দক্না অহুম্লকশুবনি। কুমজা ২০১৭ দগী চহী খুদিংগী জুলাই থাদা পাঙথোকপনি। নুপী শুমাং লীলা ফেষ্টিভেল অসিগীদমক মে ১৫ দগী ফোর্ম থাবা হৌরে। মে ২৫ ফাওবদা ফোর্ম পীশিনবা য়াগনি। নংহৌদবশিং ফেষ্টিভেল য়াওবগী খুদোংচাবা লৈরোই। শুমাং লীলা য়োকখৎনবগী পান্দমদা ফেষ্টিভেল অসি পাঙথোকপনি। নুপীশিংনা লীলা শান্নবসি ফেষ্টিভেল নত্তবা অতৈ মতমদা শান্নফম লৈতে। মণিপুরগী মপান্দদি য়াম্না উৎলি। নুপী ঙাক্তনা শান্নবা মোইরাং পর্ব্ব ফেষ্টিভেল অসি পাঙথোক্লগা নুপী লীলাগী মফম অমা থম্বনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

## হুইকপ উচোল পোইরৌখোংজিন খুলগী ৱারেপ কয়া লৌখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৬ (ঐচ এন এস):

উচোল, পোইরৌখোংজিন খুলদা ৱিমেন এগেনষ্ট ক্রাইমনা শীন্দুনা মীফম পাঙথোকখিবগা লোয়ননা ৱারেপ কয়া লৌখ্রে হায়না ৱিমেন এগেনষ্ট ক্রাইমগী এদভাইজর এস সোবিতানা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, নুপী লৈরবা নুপাশিংনা নুপী কোয়রগা মাগী নুপী ওৎপা, নুপী চেল্লকপা অমদি মপুরোইবা লৈবী মৌনা নুপা কোয়নবা, নুপা অমদা চেনবা অসিগুম্বা থৌদোকশিং অসি ইশা-ইশাগী লৈকায়দা থোক্তনবা হোৎনবগী ৱারেপ লৌমিন্নখ্রে। করিগুম্বা থোরকপা তারগনা মদুবু থেংনমিন্নবা, লোগী মতেং লৌবা য়াবনা লৌবা হায়না অন্দ্রো পুলিসকী মনুং চন্না লৈবা খুল অহুমগী ৱারেপ লৌখ্রে।

মাগী-মাগী খুলদা মৈরা পায়বীশিংগা মৌশিংগা ওর্গনাইজেসনগা খুৎশম্নদুনা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা লৈকায়গী মৈরা পায়বীগী থৌ পুবীশিং অমদি মৌশিংনা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লখি। য়ুম পানবা নুপা-নুপীশিংনা অসিগুম্বা লিচৎ চৎপশিং য়ানিংদে। নুপীনা তৌবসু, নুপানা তৌবসু ৱাখল তাহনসি। পীক্লিবা মচাশিংগী খনসি। মৌনা নুপা কোয়নদুনা ফৎত-লীচৎ চৎপদা, নুপা অমদা চেনখিবদা লোদা মশা-মশানা য়ানবনি হায়দুনা চৈরাক পীনিংঙাই লৈত্রবনিনা ইশা-ইশাগী লৈকায়দা থোক্তনবা হোৎনমিন্নসি। নুপী লৈবা নুপানা নুপী কোয়রগা মাগী নুপী ওৎলবসু, মদু য়াদে হায়না ৱাখল তাহনসি। নুপী অমা চেল্লক্লবসু লোগী মতেং লৌদুনা খায়দোকসি। নুপী অহলগী হক মাঙহনগুমসি। মৌনা নুপা কোয়নরবসু ৱাখল তাহনসি। নুপা অমদা চেনখ্রবসু লোদা করিমত্তা লৈত্রবনিনা, মৌশিংনা নুপা কোয়নদনবা, নুপা অমদা চেন্দনবা ৱারেপ লৌসি। ইশা ইশাগী সহি তৌনসি হায়দুনা মীফমদুদা শরুক য়াখিবা মৌশিংনা মশা-মশাগী সহিসু তৌনখি। ইশা ইশাগী খুলদা অসিগুম্বা থৌদোকশিং থোক্তনবা চেকশিন্না থৌদাং লৌবীয়ু, নুপী লৈরবা নুপানসু নুপী কোয়বীগনু, চেনবীগনু, মৌনসু অসুম্না তৌবীগনু হায়নসু ফোঙদোক্লখি।

নুপী লৈরবা নুপাশিংনা নুপী কোয়রগা চেল্লকপা, মপুরোইবা লৈবী মৌনা নুপা কোয়নবা অমদি নুপা অমদা চেনখিবগী থৌদোকশিং অসি ইশা ইশাগী লৈকায়দা থোক্তনবা হোৎনবগী ৱারেপ লৌমিন্নবা হায়বা য়াওনা তোঙান তোঙানবা ৱারেপশিং লৌখি। মীফম পাঙথোকখিবা অদুদা লৈকায়গী মৈরা পায়বীশিং অমদি মৌশিংনসু হিরম অসিগা মরী লৈনবা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লখি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## মহৈ-মশিং এপ লোঞ্চ তৌখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৬ (ঐচ এন এস): মহৈ-মশিং এদ্যুকেসন টেক্নোলোজি প্রাইভেট লিমিটেদনা শীন্দুনা ঙসি ক্লাসিক গ্রান্দেদা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা মহৈ-মশিন এপ অমদি প্রদক্ট লোঞ্চ তৌখ্রে।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা ৱা ঙাঙলদুনা মহৈ-মশিং এদ্যুকেসন টেক্নোলোজি প্রাইভেট লিমিটেদকী মেনেজিং দিরেক্টর মৈপাকসনা রাজকুমারনা হায়খি, মহৈ-মশিং এপ অমদি প্রদক্ট লোঞ্চ তৌখিবা অসিনা মহৈরোয়শিংদা খুদোংচাব কয়া লৈগনি। হৌজিক্কী মতমদা চাউখৎলকপগী মতুংইন্না দিজিটেল এদ্যুকেসনগী মায়কৈদসু চঙশিল্লক্লি। মোবাইল ফোন অমদি টেক্সটোপতা মসিগী এপ্লিকেসনশিং শীজিন্নরগা মহৈ-মশিংগী লমদা খঙবা য়াবা অমদি পাবা য়াবা কয়া পাবগী খুদোংচাবা লৈগনি। তোঙান-তোঙানবা লাইরিক কয়া লোল কয়াদা হন্দোক্লগা পাবা ফংহন্নবগী থৌরাং অমসু পায়খৎকনি। কম্পেনি অসিনা কিন্দর গার্টেন্দগী টুয়েল্ব ক্লাসকী ষ্টেন্দর্দ ফাওবগী এদ্যুকেসনল প্রদক্টশিং ফংহন্নবা মীৎয়েং থল্লি। প্রদক্টশিং ওনলাইনদসু ফংগনি। ঈ-লার্নিংগী এপ্লিকেসনশিং অসি শীজিন্নরগা এদ্যুকেসনগী লমদা খুন্মাং চাউশিনহন্নবগী ৱাখল্লোন কয়া থল্লি হায়নসু ফোঙদোকখি। থৌরম অদুদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী রেজিষ্ট্রার ওইরম্বা ডা. আর কে রঞ্জনসু শরুক য়াখি।

## ৱাকৎ-মীফম ফমখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৬ (ঐচ এন এস):

এম এম টি এ মনাক্তা বোম পোকখায়বদা ওজা সন্তোশ শোকখিবা থৌদোক অদু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা খুরাই লম্লোংদা ৱাকৎ-মীফম ফমখ্রে।

ৱাকৎ-মীফম অদুদা শরুক য়ারদুনা নোংথোম্বম ওংবী রাধামনিনা ফোঙদোকখিবদা, চহীসিগী এপ্রিল ২২ দা এম এম টি এ মনাক্তা বোম পোকখায়বগী থৌদোক্তা খুরাই কোন্সম লৈকায়দগী ওজা সন্তোশ বোম মচেৎ তরুক পান্দুনা শোকখি। হৌজিকসু অরুবা ফীভমদা লৈরি। লৈঙাক্কী মায়কৈদগীসু করিগুম্বা অমত্তা ফোঙদোরক্ত্রি। থৌদোক অসিগী মতাংদা অথুবদা শেংদোকপীরকউ।

নুমীৎ ২৪ নি শুরবা ফাওবা শেংদোরক্তবা অসিনা জে এ সীগী মায়কৈদগীসু চমন্নবা পোক্লে। লৈঙাক্কী মায়কৈদগীসু কনানা তৌরিবনো হায়বদু শেংদোকপীয়ু। বোমনা পাল্লবা সন্তোশ চৎপা ঙমদনা লৈরি। শেংদোরক্ত্রবদি খোঙজং চঙশিল্লগনি। খুরাই এ সীগী এম এল এ নৎত্রগা লৈঙাক্কী মায়কৈদগীসু য়েংশিনবীবা লৈতে। থৌদোক অসি নুংঙাইতবা ফাওই। মীচম মীয়াম্না চৎপা মফমদা বোম পোকখায়বা হায়বসি নুংঙাইতে হায়নসু মখা তাখি।

COMET SCHOOL

A Co-Educational Higher Secondary School

ADMISSION OPENS FOR CLASS XI (Sc.) 2019-20

MODE OF ADMISSION : THROUGH ENTRANCE TEST

APPLICATION FORM : Prospectus along with form shall be available (for BOSEM/CBSE/Other Boards Recognised by COHSEM) from 17th May, Friday, 2019 during school office hour 10:00 a.m. to 03:00 p.m. Please bring the downloaded marksheet while collecting the prospectus & the application form. Students whose Class-X results are not declared can obtain prospectus and form by producing HSLC admit card, however submission of form can be done only after the declaration of the results.

ELIGIBILITY CRITERIA : Students who have passed the HSLC (BOSEM) Examination, AISSCE (CBSE) or equivalent examinations (recognised by COHSEM), 2019 are eligible. Students whose result are not yet declared can sit/appear the entrance test by submitting a handwritten application along with a photostat copy of class X admit card, 2019.

SCHOLARSHIP

Cash scholarship for Position Holders (1 to 25) in HSLC, 2019.

For HSLC Examination, 2019 (BOSEM)

DIRECT ADMISSION (SEATS ARE LIMITED, BASED ON FIRST COME FIRST SERVE BASIS)

* 1st to 25th Rank in HSLC (BOSEM), 2019
* 70% and above in HSLC (BOSEM), 2019
* 75% and above in AISSE (CBSE) / any Equivalent Exams, 2019

1st to 25th Rank Holder in HSLC (BOSEM), 2019:

Benefits: Free Admission Fee for Class XI & XII * Free Tuition Fees for Class XI & XII * Free Foundation Course Coaching Classes at COMET Keishampat in class XI & XII * Free Medical/Engg. Special Coaching Classes at COMET Keishampat in class XI and XII * One-time Free School Uniform (One Set) * One-time Reference Book Grant of Rs. 3000 * Free Home Tuition Classes by selective COMET Teachers * Free Bus Fee (for Class XI and XII).

85% and above but not among the top 25 in HSLC (BOSEM), 2019:

Benefits: Direct and Free Admission Fee for Class XI * Free Tuition Fees for Class XI * Free Medical/Engg. Special Coaching Classes at COMET Keishampat in class XI & XII * One-time Free School Uniform (One Set) * One-time Reference Book Grant of Rs. 2500 * Free Bus Fee (for Class XI).

80% and above but below 85% in HSLC (BOSEM), 2019:

Benefits: Direct and Free Admission Fee for Class XI * Free Tuition Fees for Class XI * Free Medical/Engg. Special Coaching Classes at COMET Keishampat in class XI & XII * One-time Reference Book Grant of Rs. 2000.

1st to 3rd Position in Entrance Test, 2019:

Benefits: Free Admission Fee only for Class XI

70 % and above but below 80% in HSLC (BOSEM), 2019:

* Admission can be done after the declaration of HSLC Examination, 2019 (BOSEM).
  Benefits: Direct admission without entrance test.
* Students securing below 70% in HSLC Examination, 2019 (BOSEM) have to sit for the entrance examination, however submission of form can be done after the declaration of HSLC Examination, 2019.

For CBSE and Other Boards recognised by COHSEM (Whose results have already declared)

90% and above in AISSE (CBSE) / any Equivalent Exams (recognised by COHSEM), 2019:

Benefits: Direct and Free Admission Fee for Class XI * Free Tuition Fees for Class XI * Free Medical/Engg. Special Coaching Classes at COMET Keishampat in class XI & XII * One-time Free School Uniform (One Set) * One-time Reference Book Grant of Rs. 2500 * Free Bus Fee (for Class XI).

(N.B. Selection is based on the student's ability to pass the individual test, failing which they can get direct admission without benefits.)

* 75 % and above but below 90% in AISSE (CBSE)/ any Equivalent Exams (recognised by COHSEM), 2019:
  Benefits: Direct admission without entrance test starts from 17th May, 2019 to 20th May, 2019 (Limited Seat on first come first serve basis).
* Students securing below 75% (in CBSE & Other Boards) have to sit for the entrance examination.

Date and timing of the entrance examination will be published in the daily local newspaper viz. Sangai (English, Manipuri); Poknapham, Naharolgi Thoudang

For latest updates and more information please log in to our school website www.cometschool.in

Sd/-
Principal,
COMET SCHOOL

HL/B/5394/17

COMET

Combined Oceans of Medical & Engineering Tutorials

ADMISSION OPEN

REGULAR COURSE FOR

NEET (Medical Ent.) & JEE-MAINS (Engineering) 2020

FREE STUDENTSHIP

(Limited Seats based on first come first serve basis):

- 80% & above in P.C.B. of Class-XII (For COMET School students).
- 85% & above in P.C.B in Class-XII in Council.
- 80% & above in P.C.B in Class-XII for S.T. & S.C. in Council.
- Position holders in Class-X & XII (Manipur Board).
- 10 C.G.P.A in Class-X CBSE & above & other boards subject to separate screening test.
- 85% in P.C.B. in Class-XII CBSE & other boards subject to separate screening test.
- 80% & above in P.C.B. of Class-XII CBSE & other boards subject to separate screening test for S.T. & S.C.
- NEET 2019 overall state rank within 230 (Gen & OBC). (Fee will be refunded after NEET 2019 results if admitted)
- NEET 2019 overall state rank within 90 (ST). (Fee will be refunded after NEET 2019 results if admitted)
- SC NEET- 2019 overall state rank within 10. (Fee will be refunded after NEET 2019 results if admitted)
- Higher mark scorer for fresher in NEET-UG 2019.

Admission starts from : 08/05/2019 Last date of admission : 25/05/2019

For details plz. contact : COMET office New Block, Keishamthong Top Leirak Maning ,Airport Road

HL/B/5395/17

Shining Comerians

Qualified for JEE (Advanced) 2019

COMET

CONGRATULATIONS


L. SIDHANTH SHARMA
S/o. L. Amarjit & Jayanti
Yaiskul Hiruhanba Leikai


PH. BOND SINGH
S/o. Ph. Gyaneshwor & Tharongoubi
Kwakeithel Takhellambam leikai


S. KALPANA
D/o. S. Gojen & Hemabati
Khurai Konsam Leikai



L. LIBRADA SINGH
S/o. L. Jadumani & Kunjarani
Yairipok Laishram Leikai


ZENITH YUMNAM
S/o. Y. Surjit & Chaoba
Langmeidong Mamang Leikai


CHETANNA RAJKUMARI
D/o. RK. Tejbir & Memcha
Naoremthong Samushang


SURAJ BHATTARAI
S/o. Dhan B Bhattarai & Kaushilya
Katomei Part -I



SPENCER NAOREM
S/o. Shantikumar & Kalpana
Kakching Ningthou Leikai


KHEMESHORI OINAM
D/o. O. Kanta & Sushila
Khurai Thangjam Leikai


KSH. SANATHOI DEVI
D/o. Ksh. Rajbapu & Sorojini
Kakching Turel Wangma


KODONSHANG HONGSHA
S/o. Donyaishei & Elizabeth
New Lambuland 3rd Street


CHUINGACHAN RAMSAN
S/o. Johnson & Mayowon
Sira Rakhong, Ukhrul


HOPESON RUIVAH
S/o. Alungpam Ruivah & Luingamla
Viewland Zone-II, Ukhrul


MAGDALENE P
D/o. H. Peter & S Henia
Makhan Senapati District


V. KUNGSUANLIAN
S/o. V. Hauhnun & Dimthiam
Manipur University Campus

Where excelling is the way of life. . . .

HL/B/5393/17